# চাগোক ফবী ষণবী পুথোকপা

সরাংথেম জেসমারানি

চাংচত্তা মপুং ফারবা ষণবী অমনা চহী অমদা মচা অমুরক পোকই হায়না পাবা য়াই। হায়রিবা মতমসিদগী হেন্না চোঙ্খ্রগদি ষণবুদা অচৌবা অমাঙবা অমা ওইরি। চাগোক ফবী ষণবী অমা ওইহন্নবা ষণবুগী থৌদাং য়াম্না চাউনা লৈ। শঙ্গোম থোকপী ষণবীদা হেন্না চাগোক লৈনবা ষণবুনা মতম চানা হীট লাকপা খঙদোকপীহৌবা, অফবা মখলগী ধরানা মচা লৌবিবা, হাতমশিংবু নীংথিনা য়োকপী শেন্নবীবা, অহল ওইরবা ষণবীশিং হাতম্না মতম চানা মহুৎ শীন্দোকপিবা, গর্ভ পুরিঙৈ মতম অমদি চাবোকপা মতমদা অকায়বা কয়া লাক্তনবা নীংথিনা শেন্নবীবা, গর্ভ পুবগী মতম খঙদোকপীবা, গর্ভ পুবগা মরী লৈনবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা অসিনচিংবসি তৌবীগনি। মসিগী মথক্তা ষণবুশিংনা মশাগী ষণবীগী মরমদা তৌরিবা খুদিংমক চেজনবীগনি।

ষণবুনা চেজনবীরগদি মমাঙদা মচা লৌবদা থেংনখিবা অশোয়বা কয়া অমা খঙবা ঙমহল্লি। মসিনা মথং মচা লৌদ্রিঙৈদা লায়ওং উৎখ্রিবদুগী মতুং ইন্না লায়েংবীহৌরগদি তেক্তা কায়দনা হেন্না চাবোক ফবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা মাঙজৌননা হীট লাকপগী মতম খঙদোকপা ঙমহল্লি অমদি অশোয়বা কয়া অমা ঙন্না খঙদোক্তুনা মতম চানা লায়েংবা ঙমহল্লি।

**হীট লাকপগী মতম খঙদেকপা ঃ**

অয়াম্বনা চাদা ৯০-৯৫ গী ষণবীদি মতম চানা হীট লাকই। হীট লাকপা মতম চানা খঙদোকপা ঙল্লগদি মতম চানা মচা লৌবা ঙমই। নীংথম থাগী মতমদা অয়ূক পুং ৬-৭ ফাওবগী মনুংদা য়েংবীগনি। নুমিদাংৱাইরমদনা পুং ৪.৩০-৫.৩০ গী মনুংদা য়েংবীগনি। কালেনগী মতমদনা অয়ূক্কী ওইনা পুং ৫.৩০-৬.৩০ ফাওবা অদুগা নুমিদাংৱাইরমগীনা পুং ৫.৩০-৬.৩০ ফাওবগী মনুংদা য়েংবীগনি। হীট লাকপগী মতমসি পুং ১৬-২৪ ফাওবা ওইগল্লি। হীট লাকপা লোয়বগা মতুং পুং ১০-১৪ গী মনুংদা ওভরীদগী মরূ থোরকই। হায়রিবা মতমসিদা মচা লৌবা য়াই। হীট লাকপগী মওং মতৌসি অঙনবদদি কয়া উবা ফংদে। অদুবু মওং মতৌ খরা হায়রগদি অতোপ্পা ষণগা লৈমিন্নরগদি অতোপ্পা মনাক নকপা ষণদা মনম নম্বা, চোঙ-খৎপা, খোংবা, চনীং থক্লিংদবা, মপাম্বোংগী শরুক্তা ঙাংশিল্লকপা অমদি পোমতক তৌরকপা, মচুম তারকপা, পুং ৬-৮ লৈরবা মতুংদা অমুক ষণবীদু হীট লাকপগী মওং মতৌ শেংনা উবা ফংগনি। মসিদগী ষণবীদু লেংদনা লেপ্পগা লৈবা উগানি। মসি পুং ১৪-১৬ ফাওবা লৈগনি। হায়রিবা মতমসিদদি খোংবা, চনীং থক্লিংদবা, মপাম্বোংদগী মচুম তারকপা, শঙ্গোম থোকপগী চাং হন্থরকপা অসিনচিংবা উগনি। করিগুম্বা মতমদা চাবোক থোঙদগী ঈ য়াওবা মচুম তারকপসু থেংনগনি। নুমিৎ ২-৩ গী মমাঙদা হীট লাকখ্রে হায়না লৌবীগনি। মরম অসিনা ষণবুনা নুমিৎ ১৯-২১ গী মনুংদা হীট অমুক লাকপ্রা হায়না চেকশিন্না শেন্নবীগনি।



**মচা লৌবগী মতম ঃ** মচা লৌবগী মতমদসু ঙন্না মচা লৌবা নৎত্রগা থেঙনা লৌবসিনা মচা ওইবা ঙমহন্দে। মচা লৌবগী মতম অমদি অফবা মখলগী মরূ (সিমেন) না তেক্তা কায়দনা মচা ওইবা ঙমহল্লি। মচা লৌবা য়াবগী মতমসি হীট লাকপা লোইরমদাই পুং ৮ ৱাৎলিঙৈদগী মচা লৌবা য়াই। চৎনবী অমা ওইনা অরাইবা মওংদা ষণবী অমনা অয়ূক অঙনবদা হীট লাকপগী মওং মতৌ উৎলল্লগদি নুমিদাংৱাইরমদা মচা লৌবা য়াই। অসুম্না নুমিদাংৱাইরমদা হীট লাকপগী লায়ওং উৎলল্লগদি মথং নুমীৎকী অয়ূক্তা মচা লৌবা য়ারে। অফবা ফল লাক্লবগীদমক্তা মচা লৌবা মতমদা অনীরক লৌবীহৌবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। করিগুম্বা মতমদা মচা কাপ্পদা অশোইবা কয়া য়াওদুনা মচা ওইবা ঙমদবা য়াওদবা নত্তে। মরম অসিনা মচা কাপ্পীরিবা খুদিংমক্না মফম চানা মতম চানা অমদি নিয়ম চুম্না কাপ্পীগনি।

**মতম চানা গর্ভ পুবা খঙদোকপাঃ**

মচা লৌখ্রবা মতুং নুমিৎ ২১ নি লৈরগা হীট লাক্ত্রগদি গর্ভ পুরে হায়না লৌবা য়াই। অদুবু হেন্না কনফার্ম তৌনবা মনাক নকপদা লৈবা ভেটিরিনরি ডাক্তর অমগা তানবীবা য়ারে।

**গর্ভ পুরিঙৈ, মচা পোকপা মতম অমদি লোইরগা ষণবুনা চেকশিনবীগদবশিংঃ**

- ষণবীনা গভ পুরবা মতুং পোক্লমদাই থা অহুম ৱাৎলিঙৈ মতমসিদা নীংথিনা পী-পীথক তৌবীগনি। হায়রিবা মতমসিদা ষণবীগী মবুক মনুংদা লৈরিবা মচাসি য়াম্না থুনা চাউখৎলকই। মতমসিদা শঙ্গোম য়াম্না থোকপী ষণবীদনা মফোনগী শরুকসি নোংমদা কে জি ১.৫ দগী ২গী চাংদা পীজ বিগনি। অদুগা শঙ্গোম হন্থনা থোকপী ষণবীদনা মফোনগী শরুকসি নোংমদা কে জি ১দগী ১.৫গী চাংবা পীজগনি।

- শঙ্গোনদা অতোপ্পা ষণ খরগা পুন্না থমিন্নরবদি গর্ভ পুরবী ষণবীদু মচা পোক্কদবা নুমীৎ ১৫নি ৱাৎলিঙৈদগী অতোপ্পা মফম অমদা তোঙান্না থম্বীগনি।

- মচা পোকপা মতমদা করিগুম্বা অশোই অঙাম য়াওরগদি মনাক নকপা ভেটিরিনরি ডোক্টর অমগা তানবীগনি।

- নাওফম থুনা তারক্লবা মচা পোকপা হেক লোইবগা ষণবীদু লুম্বু লুম্বু শাবা ধনা পীজবিগনি অমদি ষণনাওদু মখোম পীথক্লবা হোৎনবীগনি। নাওফমসি মচা পোকখ্রবা মতুং পুং ৮-১০ ফাওবগী মনুংদা তাগল্লি। হায়রিবা মতমসিদা করিগুম্বা নাওফম তারক্ত্রগদি মনাক নকপা ভেটিরিনরি ডোক্টরগা তানবীগনি।

- নাওফম তারক্তবগী লায়ওংসি ঙন্না লায়েংবিহৌদ্রবদি ষণবীদুনা মথঙগী মচা পোক্লবা মতুংদা হীট লাকপগী মতম থেঙথহল্লি। মসিনা মচা লৌবগী মতমসু থেঙথহল্লি অমদি করিগুম্বা মতমদা লাইবক থীদুনা মচা ওইনবগীদমক হন্না-হন্না মচা লৌবসু য়াওদবা নত্তে। হায়রবশিংসিগীদগী ঙাকথোক্লবা ভিটামিন-এ, দি, ঈ অমদি মিনরেল গর্ভ পুরিঙৈ মতমদা পীজ হৌবা য়াম্না মথৌ তাই।

- মচা পোকখ্রবা মতুংদা করিগুম্বা ষণবীসি ঙন্না হীট লাকপসু য়াওই। অদুবু মচা পোকখ্রবা মতুং নুমীৎ ৪৫নিদি মচা লৌবীদবনা হেন্না ফৈ। মরমদি ষণবীগী মচাখাওদু মতমসিদা নোর্মেল হায়বদি হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লবনি।

- গর্ভ পুরবা মতুং পোক্লমদাইগী নুমীৎ ৬০-৮০ ফাওবদি শঙ্গোম শুন্বীরোইদবনি। মসিগী মতমসিদা ষণবীগী অরুম্বসি হান্নদগী কেজি ২০মুক হেনগৎলকই। অমদি মসিগী মতমসিদা শঙ্গোম পুথোক্লবগীদমক ম্যামরী টিস্যুশিংসি অমুক হন্না নৌনা শেমগৎলক্তুনা মথঙগী চাবোক্তা হেন্না শঙ্গোম থোকহল্লি।

অফবা মখলগী মচিঞ্জাকশিং মতম চানা পীজ-পীথক তৌবিদুনা লূ-নান্না শেন্নবীদুনা অমদি অফবা মখলগী মরূনা মচা লৌবীহৌরগদি হেন্না চাগোক ফবী ষণবী অমা ফংবা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা শঙ্গোম হেন্না পুথোক্তুনা শেন্দোং লৈবদু ঙমহল্লি। ◀◀

# উকাবী মরুম কোকহন্দুনা মচা পুথোকপা অমসুং য়োকপা

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ

উকাবী হায়রিবা ঙা মখল অসি মশা য়াম্না কনবা অমদি নুংশিৎতগীসু শ্বর হোনবা ঙম্বা ঙা মখল অমনি। মতম কুইনা হিংদুনা লৈবা অমদি য়াম্না হাওবা মরম্না মীওই অয়াম্বনা পাম্নবা ঙা মখল অমসু ওইরি, মমলসু য়াম্না তাঙই। তৌইগুম্বসুং মশা শোনবা মীওই অমদি অনাবা মীওইশিংনা চাবদা য়াম্না ফবা ঙা মখল অমনি। হায়রিবা ঙা মখল অসি ঈশিং মখল অয়াম্বদা লৈবা হৈনৈ হায়বদি পাৎ তুরেল, লৌবুক, খোঙবালনচিংবদা লৈবা হৈনৈ।

উকাবী হায়রিবা ঙা মখল অসি য়াম্না পীকপা পাম্বীদগী অচৌবা তীল-কাং ফাওবা চাই। উকাবী মচা ওল্লকপদগী মচিঞ্জাক চাবা হৌরকপদা য়াম্না পীকপা জীবশিং চাই। নুমিৎ তরামঙানিরোম শুরকপদগী খরা চাওখৎপা তীল মকুপ অমদি অপীকপা পাম্বী মকুপ চাই। খরা চাওখৎলকপদগীদি কাং মচাগুম্বা তীল চাবা হৌরকই। অদুগা মপূং মরৈ ফারক্লবা মতমদদি তীলনা মরুওইবা মচিঞ্জাক ওইরকই।

উকাবী অসি থা তরুক শুরকপদা মপূং মরৈ ফারক্তুনা চাওরকপা

সেন্টিমিটর নিপালরোম শাংই অমদি গ্রাম নিপালরোম লুমই অমদি মরুম কোকপা হৌরকই। মরুম কোকপদি এপ্রিল থাদগী ওক্টোবর থা ফাওবা কোকই। মরুওইনা নোংজু পন্থাদা কোকই। নোং চুবা মতমদা মরুম কোকননবগী খুদোংচাগদবা মফম থিবদা মফম অমদগী অতোপ্পা মফম অমদা চৎলি। মরম অদুনা পুখ্রিদা য়োকপদা চৎথোকখিবগী খুদোংচাদবা কয়া থেংনৈ। মরম অদুনা উকাবী য়োকপীগে হায়রবদি সিমেন্টেৎ পুখ্রি নৎত্রগা লৈরাই য়াম্না ঙম্না শেম্বীগদবনি নৎত্রগনা ৱানা ফকলোং শেম্বীদুনা পুখ্রিগী মপালদু খাবিগদবনি। ফকলোং খাবা মতমদা ফকলোং অদু পুখ্রিগী ঈশিংলোমদা পৈথহনবীগদবনি। মরমদি উকাবীনা ফকলোং মথক্তা কাননবা হোৎনরক্লবসু পুখ্রিদা অমুক তাশিনখিনবনি।

মতম খরগী মমাঙদদি উকাবী য়োকপা হায়বসি ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা ঈশিংদগী উকাবী মচা ফাদুনা য়োকপা তারমই। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি হীদাক শীজিন্নদুনা উকাবী মরুম য়াম্না লায়না কোকহনবা য়ারে। অদুগীসু মথক্তা উকাবী মরুম কোকহনবা অসি প্লাষ্টিক্কী খুদেং নৎত্রগা ঐখোয়না য়ূমদা শীজিন্নরিবা বালটিনগুম্বা পাত্রা অমদা হেক্তা কোকহনবা য়াই। উকাবী মরুম কোকহন্ননবগীদমক্তদি অহানবদা মপূং মরৈ ফারবা লাবা অমদি অমোম খনদোকপীগনি। মচা লৌবা য়ারবা অমোমগী মবুক্তা তপ্না মেৎপা মতমদা মরুম থোক্লকফম মখুনদা মরুম খরা থোক্লকনি। করিগুম্বা লাবা ওইরবদি অঙৌবা মচুগী মহী থোক্লক্কনি। অসুম্না খন্দোক্লবা ঙাশিংদা হীদাক হায়বদি খূৎশেম্না শেম্বা হোর্মোন কাপ্পীগনি। কাপকদবা হীদাক্কী চাংদি লাবা-অমোম খেন্নবা, অইং-অশা খেন্নবা, ঙা অদু কয়াম য়াম্না মপূং মরৈ ফারবগে হায়বগী মতুং ইন্না খেন্নগনি। তৌইগুম্বসুং

চাওরাক্লা মিলিগ্রাম অনী ঙা কিলোগ্রাম অমদা শীজিন্নবীগনি। হীদাক কাপ্লবা মতুংদা অমোম অমগা লাবা অনীগা পূন্না থম্মীনগদবনি।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা অমদি হীদাক কাপ্পা মতমদা অপীকপা য়েৎতুম খুদম ওইনা হায়রবদা ইন্সুলিন কাপ্পগী য়েৎতুম্না কাপ্পীবনা হেন্না ফৈ অমদি খ্বাইদগী লায়বা হীদাক কাপ্পগী মওংদি ঙাগী মমৈথংদা শরুক্তা মথক থংবা শরুক্তা মকু অমা খজিক্তং হাইগৎলগা য়েৎতুমনা দিগ্রি নিফুমঙাগী এঙ্গলদা থিনজিন্দুনা কাপ্পীগদবনি। হীদাক কাপ্লবা মতুং পুং তরুক্তগী কুননিপাল ফাওবগী মনুংদা মরুম কোক্লক্কনি। উকাবীগী মরুমদি ঈশিংদা তাওই। মরম অদুনা য়াম্না কূপ্পা অমদি মনুং ফাওনা উবা ঙম্বা মরুমশিং ঈশিংদা তাওদুনা লৈবা থেংনগনি। মরুম কোকপা লোইরবা মতুংদদি ঙা মপীশিং অদু লৌথোকপীগদবনি। হায়রিবা মরুমশিং অসি পুং তরাতরুকমুক্কী মনুংদা মচা ওল্লক্লগনি। মচা ওল্লক্লবা মতুং নুমিৎ হুমনিদি মচিঞ্জাক চাখিরোই । নুমিৎ হুমনি শুরবা মতুংদগীদি মচিঞ্জাক চাবা হৌরক্লগনি। মরম অদুনা ফজনা শেম্লবা পুখ্রিদা থাদবীগদবনি নৎত্রবদি মচিঞ্জাক ফংদদুনা শিখিগনি।

ঐখোয়গী লমদম অসিদা উকাবী অসি পুখ্রিদা য়োক্লবসু লৈপল কারগা চৎথোকখিগনি হায়না চিংনবদগী উকাবী য়োকপগী ৱাখল অসি ঙা য়োকপীরিবা মীওইশিংনা কয়া খন্নদে। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা ঙা অসি ময়াম্না য়োক্নরিবা কার্পশিং হায়বদি রৌ, কটলা, ম্রিগল, শিলভর কার্প, নাপী চাবী অমদি পুকলাওবীনচিংবা ঙাশিংগা পূন্না য়োকমীন্নবা য়াবা ঙা মখলনি।






উকাবী অসি মতোমতা য়োকপদা য়াম্না চান্নবা ঙা মখল অমনি নৎত্রগা অতোপ্পা নুংশিৎতগী শ্বর হোনবা ঙা মখলশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙাক্রা অমদি ঙাচিক্কা য়োকমিন্নবসু য়াই। হায়রিবা ঙা মখলশিং অসি য়োকমিন্নবা তারবদি পরি অমা চাউবা পুখ্রিদা ঙা মচা লিশীং হুম্ফুতরামঙা থাদবা য়াই। মসিদসু নত্তনা মথক্তা পনখ্রিবা কার্পশিং হায়বদি রৌ, কটলা, ম্রিগলনচিংবা ঙাশিং অসি য়োকপা য়াদবা ঈশিংদসু য়োকপা য়াই। নুংশিৎতগী শ্বর হোনবা ঙম্বা ঙাশিং অসি য়োক্কদৌরিবা পুখ্রি অদু ঈশিং খরা ফত্তবা ওইরবসু অমদি ঈশিং য়ামদ্রবসু হায়বদি পুখ্রি অদু খরা থেল্লবসু থোইদোক্না অকায়বা লৈতে। ৱা নৎত্রগা ঈলনা খাজিন্দুনা শেম্বা উপুদা হাপ্তুনা পাৎ, তুরেল নৎত্রগা

খোংবান্দা থাদদুনা য়োকপসু য়াই। উকাবী অসি মরুওইনা তীলনা খরা হেন্না পাম্না চাবনিনা উকাবী য়োক্কদবা পুখ্রি অদুগী মথক্তা মৈ থানবীদুনা নুমিদাংদা মৈগী অকোয়বদা পাইশিল্লকপা তীল অদু চাহল্লগা য়োকপীবসু য়াম্না কান্নগনি। অসুম্না ময়াম্নসু য়াম্না পাম্না চানবা, মমলসু তাঙবা, য়োকপদসু ৱাদবা, মচা পুথোকপসু য়াম্না লায়বা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎনবা হোৎনমিন্নরসি। ◀◀

# ওর্গানিক ফার্মিংদা চংশিন্নবগীদমক বাইওগ্যাস স্লুরি শীজিন্নবগী তঙাইফদবা

ডো. ৱাইখোম জিতেন

হৌজিক্কী মতমদা মশা-মউ ফনা, তিঞ্জং-কাইজংদনা, পুন্সি নুংশাংনা হিংনীংবা মীপূম খুদিংনা তোয়না পন্নবা ৱাফম অমা হায়বা তারবদি ওর্গানিক ফার্মিং তৌবা মফমদগী পুথোরকপা পোত্থোক চানীংবগী অপাম্বা অসিনি। হৌজিক্তি মীপূম অয়াম্বনা খঙলে মদুদি খূৎশেমগী হার শীজিন্নদবা, লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা হকচাং শোকপা য়াবা খূৎশেমগী হীদাক-লাংথক শীজিন্নদনা পুথোকপা পোত্থোক অদুবু ওর্গানিক ফার্মিংগী পোত্থোক হায়রগা খঙনগনি। মসি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি। ঐখোয়না মতম চানা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা চঙশিলহৌদ্রবদি নোংমদি ঐখোয়গী লৌফমশিং পোত্থোক পুথোকপা য়াদবা মফম অমা ওইরক্কনি। অসুম্না লিশাংশিংনা পোত্থোক পুথোকপা য়াবা মফম অমা ওইহন্নবা লোয়ন-লোয়ননা অফবা মগুন লৈবা পোত্থোক পুথোক্লবগীদমক ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা চঙশিনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরক্লি। অদুবু ঐখোয়না ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা চঙশিন্নবগীদমক তঙাইফদনা চঙবা পাম্বীশিংগী ওর্গানিক ওইবা মচিঞ্জাক্কী মরমদদি ইখন-খন্নদবগুম তৌই। ওর্গানিক ওইবা মচিঞ্জাক হায়বদি মহৌশা ইমানা পীবা খূৎশেমগী কেমিকেল ওইবা নত্তবা মচিঞ্জাকশিংবুনি। ঐখোয়না খঙই মালেম অসিদা লৈরিবা লেংলি-পাল্লিবা অহিংবা খুদিংমক মচিঞ্জাক য়াওদনা হিংবা হায়বসি ওইথোক্তে। মরম অদুনা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা চঙশিন্নবগীদমক ওর্গানিক ওইবা মচিঞ্জাক হায়বসি খন্নদবা শুংয়া য়াদ্রবা ৱাফম অমনি। অসুম্না ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা চঙশিনবদা থিন্থবগী মরমশিংগী মনুংদা ওর্গানিক ওইবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মরাং কায়না ফংদবসিসু অমনি। ওর্গানিক ওইবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিংগী মনুংদা বাইওগ্যাস স্লুরি হায়বসিসু অমনি।




**বাইওগ্যাস স্লুরি :** শা-ষণগী মথি-ময়ুং, পাম্বীগী লেমহৌখাক, করিগুম্বা মতমদা মীওইবগী অমাংবা ফাওবা য়াওনা নুংশিৎ চংহন্দনা পৎথহল্লবা মতমদা মীওইবনা চাক থোংনবা নৎত্রগা মৈ থাননবগীদমক গ্যাস লৌরবা মতুংদা মদুদগী থাদোরকপা পথ্-পুমথবা লোইরবা মহী ওইনা তৌবা পোৎশক অদুবু বাইওগ্যাস স্লুরি কৌই। অসিগুম্বা থাদোরক্লিবা মহী অসিখক্তা নৎত্রগা অতোপ্পা ওর্গানিক মেট্রশিংগা তোৎশিন্নরগা পাম্বীশিংদা মখোয়গী মচিঞ্জাক ওইনবগীদমক শীজিন্নবা য়াই।

বাইওগ্যাস স্লুরিদা চাদা ৯৩দি ঈশিংনি অদুগা চাদা ৭না মপং ওইবা শরুকনি। বাইওগ্যাস স্লুরিদা মপুং ওইনা য়াওরিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং অসি নাইট্রোজেন, ফোসফরস, পোটাশ, জিঙ্ক, আইরন, মেঙ্গানিজ, কোপ্পরনচিংবনি। মসিদা পাম্বীনা লায়না লৌবা ঙম্বা পাম্বীগী মচিঞ্জাশিং য়াওবগা লোয়ননা কম্পোষ্ট অমসুং ফর্ম য়ার্দ মেন্যুর (এফ ৱাই এম) দা য়াওবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক্তগী হেন্না য়াওই। বাইওগ্যাস স্লুরি অসি ওর্গানিক ফার্মিং তৌদুনা লিশাং শিংনা লৌ উবা য়াবা মফম অমা শেমগৎনবগীদমক তঙাইফদনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক্কী শরুক অমনি। মরম অসিনা বাইওগ্যাস স্লুরি অসি পাম্বীগী পোত্থোক হেনগৎহন্নবা অমদি লৈবাক লৈশাগী ফীভম হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক তঙাইফদবা পোৎশক অমা ওই। খূৎশেমগী হারশিংদা য়াওবা মীওইবগী হকচাং শোকপা য়াবা হেভি মেটেল হায়না খঙনবা মচাকশিং বাইওগ্যাস স্লুরিদা য়াওবগী চাং য়াম্না নেমই। বাইওগ্যাস স্লুরিদা চাংচৎতা য়াওবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক্কী চাং অসি ১.৫% নাইট্রোজেন, ১.১% ফোসফরস অমসুং ১% পোটাশনি। বাইওগ্যাস স্লুরি শীজিন্নবনা লৌফম অদুগী Cation exchange capacity ৱাংখৎহন্দুনা লৌফম অদুদা পোজিটিভ চার্জ পুবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং Mg, Ca, K অমসুং $NH^+_4$ নচিংবা লৈবাক্লা ফাজিন্দুনা থম্বদা মতেং পাংই। অদুগা করিগুম্বা Cation exchange capacity নেম্লবদি মথক্কী পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং অসি নোংজুগী মতমদা ঈশিংদা চুমথদুনা মাঙহল্লি। বাইওগ্যাস স্লুরি অসি ঐখোয়গী অকোয়বগী খল কায়হন্দে লোয়ননা খূৎশেমগী হার চাদা ১৫দগী চাদা ২৫ ফাওবা হন্থনা শীজিন্নবা য়াহল্লি। বাইওগ্যাস স্লুরি অসি অসুক্কী মতিক কান্নখ্রে মদুদি মসি বাইও গোল্ড হায়রগা ফাওবা খঙনৈ।

বাইওগ্যাস স্লুরি অসিদি করিগুম্বা মতমদা খূৎশেমগী হারশিংগা ফাওবা চাংদম্নবা য়াই। অদুগা অমুক পাম্বীশিংগী লেমহৌখাকশিংদগী কম্পোষ্ট শেম্বা মতমদা বাই স্লুরি শীজিন্নবনা হেন্না থুনা কম্পোষ্ট ওইহল্লি। য়েন-ঙানুগী মথিদগী ওইবা বাইও স্লুরিনা অশিনবা লৈবাক্কীদমক হেন্না ফৈ। লৌ পরি অমদা ঈথৈ লৌখোং ফংবা মফম ওইরবদি বাইও স্লুরি অসি টন ১০দগীনা ২০ ফাওবা শীজিন্নবা য়াই। অদুগা নোংগী মতেংনা লৌ পানবা মফম ওইরবদি টন ৫ গুম্বদমক শীজিন্নগনি। বাইও স্লুরি অসি ঐখোয়না মহী ওইনা নৎত্রগা কংহল্লগা নৎত্রে হায়রগা অতোপ্পা পাম্বীশিংগী লেমহৌখাকশিংগা তোৎশিন্নদুনা শেম্বা কম্পোষ্ট ওইনা শীজিন্নবা য়াই। মহী ওইবা বাইও স্লুরি অসি ঐখোয়না পাম্বীশিং থাদ্রিঙৈ, লম শেম্বা মতমদা চাইবিবা নৎত্রগা পাম্বীশিং হৌখ্রবা মতুংদা চাইবসু য়াই। করিগুম্বা পাম্বী হৌরবা মতুংদা চাইবিগদবা লৈরবদি তোঙান তোঙানবা পাম্বীগী মতুং ইন্না ঈশিং য়ানবগী চাং অমা লৈরিবদুগী মতুং ইন্না ঈশিং য়ানবীরগা চাইবীগদবনি। বাইও স্লুরি অসি মহি ওইনা লৈবা মতমদা লৌফমদা পুথোক পুশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনৈ। মরম অসিনা কংহল্লগা চাইবীবনা লৌমীশিংদা হেন্না খুদোং চাহল্লি। অদুবু অমুক বাইও স্লুরি অসি কংহনবা মতমদা নাইট্রোজেনগী শরুক খরা মাঙখিগনি। মরম অসিনা অতোপ্পা কম্পোষ্টকী মচাকশিংগা তোৎশিন্নরগা চাইবিবনা খ্বাইদগী ফবা ওই।

অফবা মগুন লৈবা চিঞ্জাক পুথোক্লবা, লৈবাক লৈহাও ফনা থম্বা অদুগা লিশাংশিংনা লৌউ-শিংউ তৌবা য়াবা মফম অমা ওইহন্নবগীদমক বাইওগ্যাস স্লুরি অসি পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরে। ◀◀